অহানবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮

থোংথেনমাং দোঙেলনা অহানবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী)ঃ ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) গী মীৎয়েং মখাদা বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ চুড়াচান্দপুরনা শীন্দুনা খুমুজম্বা মৈতৈ লৈকাই চুড়াচান্দপুরদা পাঙথোকখিবা অহানবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী টাইটল থোংথেনমাং দোঙেলনা লৌখ্রে।

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা তোঙান তোঙানবা জিম কয়াগী শাফবা ১৩ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অহানবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চাইল্ডলাইন বিষ্ণুপুরগী দিরেক্টর লমাবম পিশক, চুড়াচান্দপুর মৈতৈ সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম থোইবা, সেকেন্দ আই আর বিগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট পি বিনোদ রঞ্জন (এম পি এস), ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস থম্বাল শর্ম্মা, চুড়াচান্দপুর মৈতৈ সোসাইটিগী সেক্রেটরি আর কে ইনাও অমসুং চুড়াচান্দপুর রুমেন পুলিসকী ওফিসর ইন চার্জ চিনলৈলাম গাংতেনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মেন্স বোদিবিল্ডিং কেটিগরিদা টাইগর জিম চুড়াচান্দপুরগী থোংথেনমাং দোঙেলনা অহানবা, টাইগর জিম চুড়াচান্দপুর পাউচিনখোংনা অনীশুবা, টাইগর জিম চুড়াচান্দপুরগী ক্লেমেন্ট ওনখোসৈ হাওকিপনা অহুমশুবা, টাইগর জিম চুড়াচান্দ-পুরগী হেনরি সৈখোলেন মাংতেনা মরিশুবা অমসুং থন্দর জিম চুড়াচান্দ-পুরগী এল হাওমিনলেননা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

অহানবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা সর্টিফিকেট, ট্রোফি, মেদল অমসুং শেলগী মনাশিংসু খূৎশিন্নখি।

ইন্দিয়াগী হেন্দবোল টিম বাহরেনগী মখূৎতা পাঞ্জল ২৫-৩২ দা মায়থীখ্রে

জকরতা, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী)ঃ

থাংজ নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী মাঙওইননা ইভেন্ট খরগী প্রীলিমিনরি মেচ শান্নবদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হেন্দবোল টিম বাহরেননা ঙরাং পাঞ্জল ৩২-২৫ দা মায়থীবা পীখ্রে।

জকরতাগী পোপকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা হেন্দবোল মশান্নগী নুপাগী গ্রুপ দিগী প্রীলিমিনরি রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম বাহরেননা পাঞ্জল ৩২-২৫ দা মায়থীবা পীখিবনি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১১ চনখিবদা বাহরেনগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল ১৮ চনবা ঙমখি। পোইন্ট ৭ খেন্নরগা লৈখিবা মেচ অদু মখা তানা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা অনীশুবা হাফতা ফুগাৎনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু বাহরেনগী শান্নরোয় শিং অদুনা মখোঙ মখূৎ শিংবা হেনখিবদগী পোইন্ট ১৪ স্কোর তৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াসু অনীশুবা হাফ অদুদা বাহরেনবু কন্না লম্বা তৌরক্তুনা পোইন্ট ১৪ স্কোর তৌবা ঙমখ্রবসু অহানবা হাফতা বাহরেননা হেনখিবা পোইন্ট ৭ অদুনা খুদোংচাবা লৌরগা গ্রুপ দিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াবু বাহরেননা পোইন্ট ৩২-২৫ দা থোইখিবনি।

গ্রুপ মরি থোক্লা লম্বা তৌনরিবা হেন্দবোলগী কম্পিটিসন অসিদা মকোক থোংবা টিম অনী অনীনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অহানবা মেচসু চাইনিজ টাইপৈগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবা মরম্না ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙম্বগী লম্বেল তেনশিনখি। হয়েং ইরাককা শান্নগনি।

নিহাল সরিন অবু ধাবি চেছ টুর্নামেন্টতা গ্রান্দমাষ্টর ফংখ্রে

অবু ধাবি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এ ঈগী কোনুং অবু ধাবিদা থা অসিগী ৭ তগী হৌরকখিবা অবু ধাবি মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় নিহাল সরিন গ্রান্দমাষ্টর ফংখ্রে। নিহাল সরিননা টুর্নামেন্ট অদুগী রাউন্দ ৯ শান্নবা কম্পিটিসনদা পোইন্ট ৫.৫ ফংদুনা গ্রান্দমাষ্টরগী থাক অদু য়ৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, মালেমগী চহী খ্বাইদগী নৌবা গ্রান্দমাষ্টরশিংগী মনুংদা মশাগী চহী ১৪ শুবদা মালেমগী খ্বাইদগী চহী নৌবা গ্রান্দমাষ্টরশিংগী মনুংদা ১২ শুবা থাক্তা লৈবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কেরলাদগী অহুমশুবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ওইবা ঙম্লি।

অবু ধাবি মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্না রাউন্দ ৯ শান্নবদা অহুম মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা রাউন্দ অহুম অমা দ্রো চৎলগা রাউন্দ অনী অমনা মায়থীবা নংখি। টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অনী ইরিগাইসি অর্জুন অমসুং কার্থিন ভেনকতারমনসু গ্রান্দমাষ্টরগী টাইটল অদু ফংবা ঙমখি।

মালেমগী ওইনা মশাগী চহী খ্বাইদগী নৌনা গ্রান্দমাষ্টর ফংবগী রেকোর্দ অদু য়ুক্রেনগী গ্রান্দমাষ্টর সর্গে করজাকিননা কুমজা মশাগী চহী ১২ গা থা তরেৎ চঙলকপদা গ্রান্দমাষ্টর ওইবা ঙমখি। মহাক্কী মথংদা ইন্দিয়াগী রমেশ বাবু প্রগনন্ধনা মশাগী চহী ১২ থা ১০ অমসুং নুমিৎ ১৩ নি শুরকপদা গ্রান্দমাষ্টর ফংদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চহী নৌবশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পরিমার্জন নেগিনা মশাগী চহী ১৩ থা ৪ অমসুং নুমিৎ ২২ শুরকপদা গ্রান্দমাষ্টর ফংদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চহী নৌনা গ্রান্দমাষ্টর টাইটল ফংবা শান্নরোয়শিংগী পরিংদা মরিশুবা থাক্তা লৈরি।

অবু ধাবি মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং লোইশিনখিবা রাউন্দ ৯ দা রসিয়াগী দানিল দুবোবনা পোইন্ট ৯ ফংবা য়াবগী মনুংদা ৭.৫ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। অতোপ্পা শান্নরোয় এন্টোন কোরোবোভ অমসুং ইজিপ্টকী এ আর সালেমনা মহাক্কী অরোইবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সী অরাভিনবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৭.৫ ফংলগা লৈখ্রবসু টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না প্রোগ্রেসিভ স্কোর য়েংনরুবদা দানিল দুবোবনা হেনখিবদগী মহাক্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এম কার্থিকিএন অমসুং হর্শা পরাচুক অমসুং দেবাসিস দাস পোইন্ট ৬.৫/৬.৫ ফংদুনা ৫ শুবা পোজিসনদা অতোপ্পা শান্নরোয় ১১ গা লোয়ননা পূন্না লৈখি। গ্রান্দমাষ্টর ফংখিবা নিহাল সরিন রাউন্দ মাপন শান্নবদা পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা ২৪ শুবা পোজিসনদা লৈখি। টুর্নামেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা চেছ শান্নরোয়শিংগী য়াম্না চাওবা ফম্পাক অমা শেমদুনা কান্নবা পীরি।

ফোর্ম পীশিনবগী মতম শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না এসোসিএসন অসিনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৭শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক অমসুং ৬৩শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মমাংদা ফোর্ম পীশিনবগী মতম অদু চৎলিবা থা অসিগী ১৭ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি। টুর্নামেন্ট অনী অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনগী খুথাংদগী শরুক য়ান্নবগী ফোর্ম অদু থা অসিগী ১৭কী নুংথিল পূং ২.৩০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী মখা তাবা চেরোল অমনা মখা তারদুনা ৩৭ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৬৩ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ওগষ্ট ২২ দগী ২৫ ফাওবা উখুল দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

উখুল দিষ্ট্রিক্টকী হুংপুংদা লৈবা বাক্সি গ্রাউন্দ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ইন্টর দিষ্ট্রিক্টকী কম্পিটিসন অদু ওগষ্ট ২২ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্ট অদুনা ওগষ্ট ২৩ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা নুপামচাগী চহী ১৯ মখা, দবলসকী চহী ১৯ মখা, নুপীমচাগীসু চহী ১৯ মখা অমসুং দবলসকী লোয়ননা মিক্স দবলসকী চহী ১৯ মখাগী লম্বা তৌনগদৌরি।

ষ্টেট ওপনগী কাঙলুপতা নুপাগী সিঙ্গলস, দবলস, নুপীগী সিঙ্গলস, নুপীগী দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী কাঙলুপতা লম্বা তৌনরগনি। ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টকী শান্নরোয়শিংগী ড্রো অদু চৎলিবা থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্কনি হায়না এসোসিএসন অসিনা মখা তারি।

এসিয়ন গেমসকী টৌর্চ জকরতা য়ৌখ্রে

জকরতা, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী)ঃ থাংজ নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী টৌর্চ ঙরাং জকরতা সিটিদা থুংখ্রে। গেমস অসিগী টৌর্চ অদু সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক শিনবা থুংনা থা অমগী ওইবা মশান্না অদুবু হেন্না মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পুররবা মতুং জকরতাদা ঙরাং থুংখিবনি।

এসিয়ন গেমস অদুগী টৌর্চ অদু কুমজা ১৯৫১ দা ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিনা যূম্বু ওইখিবা মফমদগী চুরগা পুদুনা জকরতাগী কলচরেল সেন্টর ওইরিবা য়োগ্যকরতাদগী থা অসিগী জুলাই ৩০ দগী সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং অদুদা কোয়না পুখিবনি।

টৌর্চ অদুনা জকরতা য়ৌরকপদা মফম অদুগী নাৎকী ওইবা ফিজোল শেৎলবা জগোয় শাবা অমসুং শাবী কয়ানা বেঞ্জাই-বেঙ্গুন খোংদুনা তরাম্না ওকখি। ঙরাং থুংখিবা টৌর্চ অদু ইন্দো-নেসিয়াগী কোনুং জকরতা অমদি থংনবা সিটিশিংদা পুদুনা মীওই মিলিয়ন কয়াগী মাঙদা গেমস অদুগী মতিক মগুনদু উৎকদৌরি।

টৌর্চ অদু পুবদা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকরতাদা মীয়াম মাঙদা উৎকদৌরিবা অদুগী থৌরমদা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা বেদমিন্টন শান্নরোয় রুদি হরটানো, ইচুক সুবিয়ারটো অমসুং রিকি সুবাগিয়া য়াওরি। হায়রিবা বেদমিন্টনগী মমিং লৈরবা হান্নগী শান্নরোয়শিং অদুদা নত্তনা অতোপ্পা হৌজিক হৌজিক ইন্দোনেসিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়ারিবা অমসুং লৈবাক অদুগী ওইবা শান্নরোয় অমসুং শান্নববু পামজবা মীওই ১০,০০০ রোম্না শরুক য়াদুনা এসিয়ন গেমসকী টৌর্চ অদু পুদুনা চৎকদৌরিবনি।

টৌর্চ অদু ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং সিটি জকরতা অমদি থংনবা সিটিশিংদা চৎলুরবা মতুং মমাঙদা অতোপ্পা থংনবা লৈবাকশিংগী সিটি ৫৪ ফাওদুনা চৎলুরগা থাংজ নুমিৎতা হৌদোক্কদৌরিবা গেমস অসি নংননবা জকরতাগী গেলোরা বুং কারনো ষ্টেদিয়মদা য়ৌরক্লগনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর, বিষ্ণুপুরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পাঙথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস-২০১৮গী ত্রায়ল সেলেক্সনদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

ত্রায়ল সেলেক্স অসিদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা দিসিপ্লিনশিং অদুদি- চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী বেদমিন্টন, চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী কোক্কি, চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী হোক্কি, চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী রেষ্টলিং, চহী ১৯ মখাগী নুপীমচাগী রেষ্টলিং, চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী সাইক্লিং, চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ফুটবোল, চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী জুদো, চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টেবল টেন্নিস অমসুং চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী খো-খোনি হায়না চেরোল অসিনা মখাতানা ফোঙদোরক্লি।

আর্চরিগী ত্রান্সফর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না এসোসিএসন অসিগী মখাদা লৈবা আর্চরশিংনা ষ্টেটকী ওইবা ত্রান্সফর তৌবগী মতম অদু থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। চেরোল অসিনা মখাতারদুনা এসোসিএসন অসিগী মখাদা লৈবা য়ুনিটশিংনা মখোয়-মখোয়গী এফিলিএসনগী রিন্যুল অদু চৎলিবা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি অদুগা অনৌবা আর্চরশিংগী রেজিষ্ট্রেসনগী অরোয়বা মতম অদু ওগষ্ট ২৮ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

ক্রিকেটকী কোচিং কম ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না বি সি সি আই (বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া)না শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপীগী চহী ১৯ মখা, চহী ২৩ মখা অমসুং সেনিয়র টিম চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী শান্নরোয় খনবগী কোচিং কম ত্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২০দা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা কোচিং কম ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্রিকেট শান্নরোয়শিংনা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী ওফিসতগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

বিষ্ণুপুরগী কোচিং প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর, বিষ্ণুপুরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চহী ১৪ মখাদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি। হায়রিবা নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদি সোফ্টবোল, সেপাকটাক্রো অমসুং হেন্দবোলনি। নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী স্কুলশিংগী প্রিন্সিপল নত্রগা হেদমাষ্টরগী খুথাংদা পোকপগী নুমিৎ, ক্লাস, রোল নম্বর অমসুং সেক্সনগা লোয়ননা ফোর্ম লৌরগা চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা থাগৎপা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

ত্রায়ল কম সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর অত্য পত্য এসোসিনএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মশান্না অসিগী ওইনা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ২৭তগী ৩০ ফাওবা হিমাচল প্রদেশকী কনগ্রা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পলামম্পুর সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭শুবা সব জুনিয়র বোইজ অমসুং গর্লস অত্য পত্য নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক মণিপুরগী শান্নরোয় খনবগী ত্রায়ল কম সেলেক্সন অমা লৈমপোকপম এসোসিএসন গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২০গী অয়ুক পূং ৭ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। চহী ১৪গী মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা ত্রায়ল কম সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। শান্নরোয়শিং অসিনা মখোয়গী পোকপগী মতম অদু কুমজা ২০০৪গী জনুৱারী ১দা নত্রগা মমাংদা পোকপা ওইরোইদবনি হায়রি।

এ আর বট্টালিয়ননা স্পোর্টস ৱীক হৌদোকখ্রে

চুড়াচান্দপুর, ওগষ্ট ১৬ (এন ঐচ এস)ঃ ইনখৎলক্লিবা নহা অমসুং তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিং অমতা ওইনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্ননবগী পান্দমদা অসাম রাইফলস য়ুনিট অমসুং প্রেসবাইটেরিয়ন য়ুথ ফেলোসিপ (পি ৱাই এফ) কা খূৎশম্নরগা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা মোলাম ভিলেজতা থা অসিগী ১৬ তগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পোর্টস ৱীক ঙসি হৌদোকখ্রে।

বট্টালিয়ন অসিনা তোঙান তোঙানবা মশান্না - ফুটবোল ভোলিবোল অমসুং গোল পোষ্টকী নেটনচিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা খূৎশিন্নখি। স্পোর্টস ৱীক অসিদা মরাথোন, লোং জম্প, ফুটবোল, অমসুং গর্লস ভোলিবোলনচিংবা মশান্না কয়া শীনখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ১৭ না স্পোর্টিং ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ারি।

/লান্ন-থৌরম

হৌখিবা তাং ১২/০৮/২০১৮ ইং, নোংমাইজিং নুমিত্তা লায়বক থিবা থৌদোক অমদা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক ময়াই লৈকায়দা লৈবা **লময়ানবা হৈস্নাম**-না মনুং-মতম চাদনাপুন্সি চেংজেল লোয়দুনা মপুগী খুয়াদা হৈনম-লৈনম ওইনা তিনখ্রে। লাক্লিবা তাং ২২/০৮/২০১ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লান্ন-থৌরম পাঙথোকচরগনি। লৈখিদ্রবা **লময়ানবা হৈস্নাম** না হিংলিঙৈ পুন্সি খরা অসিদা তিন্নজরম্বা, হিংহৌরিবা ঐখোয়নদি খঙজহৌদ্রবা খঙন-চান্নরম্বা খ্বায় ময়াম্না **লময়ানবা হৈস্নাম** গী মথৌ-মঙম অসিদা লৈ মনা অমত্তং কৎপীরনবা হায়জরি।

হায়জরিবশিং ঃ **হৈস্নাম মালেমখোম্বা মৈতৈ (অপোকপা)**
হৈস্নাম মেম্মা লৈমা (অপোকপী)
হৈস্নাম লালভারানি চনু (মচননুপী)
হৈস্নাম লিওসন মৈতৈ (মনাওনুপা)
ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক ময়াই লৈকায়।

HL-P/5231/17



FOR ACTIVE HEALTHY & STRONG LIVER
LIVXON-DS SYRUP

INDICATION:-
1. Increases Bile Floe.
2. Reduces Bilirubin Level
3.Reverses Hepatic Cell Damage
4.Improves Immunity & Liver Function
5.Improves Digestion,Appetite & Constipation.
6. Indicated in Alcoholism & Drug Induced Hepatic Toxicity

Also Usefull in Hepatites,Jaundice,Cirrhosis due to Alcohol & Drugs, Infantile Liver Disorder Anorexia etc.......

APPROVED PRESERVATIVES ADDED

NO ADDED SUGAR

Double Strenght For Liver Protection

AVAILABLE AT ALL LEADING SHOP:
1.Like Imphal Ayurvedic Bhawan Thangal Bazar
2.DPS Arurvedic pharmacy Paona Bazar

HL-P/4036/30/6-27/8(Alt.)



JOIN THE
PREMIUM FITNESS CENTRE IN MANIPUR
«RADIANT FITNESS»
360° WELLNESS CENTRE
»GYM»AEROBICS»ZUMBA»YOGA»SPA»SAUNA»COFFEE & MORE...
Visit Us: Palace Compound Gate, Opp. City Convention Hall, Imphal
HL-B/4759/21/7-20/8

LOAN AVAILABLE
NO GUARANTOR
AREA COVER: MANIPUR STATE
TATA SUPER ACE-MINT DELIVER WITHIN 2 DAYS
> EMPLOYMENT NEWS:- MECHANIC-2/W(20-30yrs) Rs.8,000-Rs.15,000/- & SECURITY-GUNMAN(20-30yrs) Rs.6,000-Rs.Rs.17,000/-
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) P/M
> BUSINESS LOAN (12%)P/A
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com